মৈ মম্‌গনি

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ : ৩৩/১১ কে ভি ইরোইশেম্বা সব-ষ্টেসন লমশাং ফীদরনা কোনবা মফমদা জঙ্গল কট্টিং তৌগদবা লৈবা মরম্না হয়েং অয়ূক পুং ১১ দগী নুংথিল পুং ১ ফাওবা মৈ মম্‌গনি। লমশাং,ময়াং লাংজিং অখাম ক্লাকসিফাই অমদি লমদেংগী কঞ্জুমরশিংনা হায়রিবা মতম অসিদা মৈ ফংলোই হায়না এম এস পি দি সী এল, আই ঈ দি-২গী মেনেজরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

কম্পার্টমেন্টেল ইগজামিনেসন

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ :বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম) না লৌবা কুমজা ২০১৮ কী ঐচ এস এল সী কম্পার্টমেন্টেল ইগজামিনেসন লাক্লিবা জুলাই ১৮ দগী হৌরগনি অমদি ইগজামিনেসন অসিগী সেন্তরশিং মতুংদা খঙহল্লক্কনি। অদুবু ইগজামিনেসন অসিগী এদমিট কার্দ মরী লৈনবা স্কুলশিংদা থা অসিগী ৭ তগী ওফিস মতমদা য়েন্থোকপা হৌরগনি হায়না বোসেমগী সেক্রেটরি অখাম জয়কুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

নুপী অমা শিরক্লে...

লামায় ১গী মখা... য়াইথাংবম ওংবী গীতা (৩৫), মপুরোইবা ৱাই বোয়াই কৌই। অশিবা হকচাং অদু ফোরেন্সিক সাইন্সকী কাঙবু অমদি শিংজমৈ পুলিসকী টিম অমনা য়েংশিল্লবা মতুংদা পোষ্ট মোর্টেম তৌনবা পুখ্রে। অশিবা হকচাং অদু ঙসি রিমসকী মোর্গতা এগজিক্যুটিব মেজিষ্ট্রেট অমদি ভিদিও কোভরেজ য়াওনা পোষ্ট মোর্টেম তৌখ্রে।

GAS NEWS

ATHOKPAM INDANE
Booking Upto:26/05/2018
Valid From: 18/05/2018
Stk : 612
Timing :06.00am to 10.00am
(Submit Aadhaar Xerox)

HRANGCHAL GAS AGENCY, OLD LAMBULANE
Booking Upto:11/06/2018
Valid From:07/06/2018
Stk :306 (Aadhaar Link Consumers Only)
Timing :07.30am to 10.30am

IMPHAL LPG SERVICE
Booking Uptodate
Stk :400
Stk 19Kg Commercial :50

K&K INDANE SERVICE
Booking Uptodate
Stk :306
Timing :07.30am to 11.00am
(First Come First Serve)

KHORIPHABA, NAMBOL
Booking Uptodate
Stk :306 (CTC)
Timing :07.00am to 01.00pm
(First Come First Serve)

LEIBAKLEI GAS, KAKCHING
Booking Upto:01/06/2018
Valid From:17/05/2018
Stk :612
Timing :07.30am to 11.00am

LAMSANG GAS AGENCY
Booking Upto:19/06/2018
Valid From:16/06/2018
Stk :306 (DBTL Only)
Timing :07.00am to 10.00am
(Submit Aadhaar Copy, Urgently)

MAIBIA GAS, MOIRANG SL.NO. 6861-8070
Booking Upto:04/06/2018
Valid From:30/05/2018
Stk :612
Timing :07.00am to 11.00am

MANIPUR POLICE GAS
Booking Uptodate
Stk :306 (CTC & DNSC)
Timing :08.00am to 11.00am
(First Come First Serve)

MISAO GAS SERVICE
Booking Upto:13/06/2018
Valid From:29/05/2018
Stk :612
Timing :07.30am to 10.00am

HEIROK INDANE SERVICE
Booking Upto:02/06/2018
Valid From:26/05/2018
Stk :306
Timing :07.30am to 11.00am

RBD INDANE SERVICE
Booking Upto:23/05/2018
Valid From:13/05/2018
Stk :612 (Only CTC)
Timing :06.30am to 10.30am

YAIRIPOK GAS SERVICE
Booking Upto:20/06/2018
Valid From: 18/06/2018
Stk :306
Timing :07.00am to 10.00am

PHAYENG INDANE GRAMIN VITRAK
Immediate Booking
Stk :306
Timing :07.30am to 10.00am
(First Come First Serve)

HIYANGTHANG INDANE
Booking Upto:16/06/2018
Valid From: 13/06/2018
Stk :306
Timing :07.00am to 10.00am
(First Come First Serve)

NONGPOK SEKMAI JCD INDANE
Booking Upto:15/06/2018
Valid From: 07/05/2018
Stk :306
Timing :08.00am to 11.00am

লিলোংদা মুস্লিম নুপীশিংগী কৈথেলশঙ থুনা শারগনি : সী এম

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ (ঐচ এন এস):

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী লিলোংদা মুস্লিম নুপীশিংগী কৈথেল শঙ অমা শানবা ষ্টেট প্লান্নিং দিপার্টমেন্টদা লুপা ক্রোর ২ রিজার্ব তৌরে হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খ্রে।

মণিপুর ষ্টেট হজ কম্মিটিনা ঙসি নোর্থ এ ও সীদা লৈবা ওল্ড হায় কোর্ট কমপ্লেক্সতা শিন-লাংখিবা হজ-২০১৮ গী লাইফম কোয়বশিংগী ওইবা নুমীৎ হুম্নীগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকপগী ফঙ্কসন্দা ৱা ঙাঙলদুনা চীফ মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। মণিপুর ষ্টেট হজ কম্মিটিনা মখোয়গী ওফিস বিল্ডিং অমদি মীটিং হোল অমা শাবদা ষ্টেট লৈঙাক্লা পীবা য়াবা মতেং খুদিংমক পীরগনি হায়নসু চীফ মিনিষ্টর বিরেননা ফঙ্কসন অদুদা ফোঙদোকখ্রে।

মীয়ামগী য়াইফনবা লৈঙাক্লা অকনবা ৱারেপশিংসু তঙাইফদনা লৌরকই হায়না পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা মরী লৈনবা খুদিংমক্তা তোকঙাদা থাজবগী মহুত্তা পেন্দবগী ৱাফম খুদিংমক মহাক্কা তান্নবসু আপিল তৌখি।

হজ লাইফম কোয়বগা মরী লৈনবা ফাইল পুন্বা থীন্থবা তৌদনা থাদোক্লবা মহাক্লা ফাইনান্স দিপার্টমেন্টগী মরী লৈনবা ওফিসলশিংদসু খঙহল্লগনি হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা ফঙ্কসন অদুদা তীল্লিবশিংদা থাজবা পীখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি, চহী খুদিংগী শেংলবা সিটি মকাদা মীওই লাখ ৩০ গী মথক্তা পুনবনা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অমত্তা থোকহন্দনবা মাঙজৌননা লাইফম কোয়বশিংগী অসিগুম্বা ট্রেনিং অসি তঙাইফদে। হজ চৎপশিংদা লাইফম কোয়বদুদা তৌগদবশিং অমসুং তৌরোইদবশিংগী মতাংদা লোয়ননা করম করম্বা পোৎশকশিং পুগদগে করি পোৎশকশিংনা পুরোইদগে হায়বগী মতাংদা ট্রেনিং পীগনি। ট্রেনিং অসিদা লৈফম চাফমগী ফেসিলিটিশিং, করেন্সি এক্সচেঞ্জ অমসুং নমাজগী মতম অসিনচিংবগী মরমদসু খঙহনগনি। মী চীনমলবদগী লৌশিন্নবা, নেৎশিন্নবা অমদি অতৈ এক্সিদেন্টশিং থোক্লকপা মতমদা খুদোংথিবা থোক্তনবা লৌখৎকদবা থৌরাংশিং লোয়ননা হকশেলগা মরী লৈনবা চেকশিন থৌরাংশিংসু খঙহনগনি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হজ চৎপা মীওই খুদিংমক তেক্ত-কায়দনা হল্লকপা ওইরসনু হায়নসু ফোঙদোকখি। মহাক্লা মখোয়দা লাইফম কোয়রিঙৈ মনুংদা ষ্টেট অসিদা ঈং-চিকপা অমদি নুংঙাই য়াইফবা ফীভম লাক্লবা শেম্বীবা মপুদা খুরুম্বীয়ু হায়নসু আপিল তৌখি।

ৱাবগাই এ সীগী এম এল এ অমসুং মণিপুর ষ্টেট হজ কম্মিটিগী থৌমী এম দি ফাজুর রাহিম, জিরিবাম এ সীগী এম এল এ অসবউদ্দিন, মাইনোরিটিজ এন্দ বেকৱার্দ ক্লাসেসকী সেক্রেটরি বোবী ৱাইখোম, মণিপুর মাইনোরিটিজ এন্দ অদর বেকৱার্দ ক্লাসেস ইকনমিক দিভলপমেন্ট সোসাইটি (এম ও বি ঈ দি এস)কী মেম্বর সেক্রেটরি কে ঐচ দিনেশচন্দ্র অমসুং দিরেক্টোরেট ওফ মাইনোরিটি এফ্যেরসকী দিরেক্টর এন জি উত্তম অমসুং মণিপুর হজ কম্মিটিগী চ্যেরমেন অমদি হজ কম্মিটি ওফ ইন্দিয়াগী মেম্বর এম দি অমিল শাহসু থৌরম অদুগী দিগনিটরিশিং ওইনা শরুক য়াখি।

হ্যুমেন চেন শেমদুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) হেদ ওফিসকী ভাইস প্রসিদেন্ট নিংথৌজম জুগেশ্বর মীশি য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মীশি অসিদা চেন্নরিবশিং পুথোকউ হায়না ইম্ফাল ইষ্টকী স্কুল কয়াগী মহৈরোয়শিং লম্বীদা থোক্তুনা হ্যুমেন চেন শেমখ্রে।

খুন্দ্রাকপমদগী পাঙ্গৈগী হন্দ্রেদ ফ্লাৱর স্কুল ফাওবা হ্যুমেন চেন শেমখি। ৱি ৱান্ট জষ্টিস হায়বা খোল্লাউ কয়াসু মহৈরোয়শিংনা লাউখি। চেন্নবা মীওই অমদি গাড়ী হৌজিক ফাওবা ফাদ্রিবা করিগীনো, মীহাৎপা অথুবদা ফাগদবনি হায়বা প্লেকার্দ কয়াসু পায়খি। ইম্ফাল ইষ্টকী মনুংদা লৈবা হন্দ্রেদ ফ্লাৱর হায়র সেকেন্দরি, আর কে সনাতোম্বী বিদ্যালায়া, এস য়ু গেটৱেল, পারি ইমোম খ্বাই শীন্দম শঙ পাঙ্গৈ, আই পি এ, কে সী হায়র সেকেন্দরি স্কুল, তম্ফা ক্লালিটি একাদেমি, খুন্দ্রাকপম পব্লিক স্কুল, রোএল একাদেমি ওফ সাইন্স, আই এম এ নোংমৈবুং, পাইওনর স্কুল কোনুং মমাং, সঙাই হায়র সেকেন্দরি স্কুল কোইরেঙ্গৈ, ঈ কে হায়র সেকেন্দরি স্কুলনচিংবা মহৈরোয়শিংনা খোঙজং চঙশিনখি। মী হাৎপা পুথোকউ, চেন্নবা মীওই পুথোকউ হায়বা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি।

নন-মণিপুরীবু প্রিন্সিপাল হাপ্পগী মায়োক্তা হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি : কে এস এ

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ (ঐচ এন এস):

এম পি এস সীনা লৌখিবা গভর্ণমেন্ট কোলেজগী প্রিন্সিপাল ২৫ গী মনুংদা রুলগী ৱাংমদা ডা. গোপালচন্দ্র বাগ কৌবা নন-মণিপুরী অমা এন জি কোলেজদা পোষ্টিং পীশিল্লকপগী থৌওং য়ানিংদে অমসুং মখা তানা খোঙজংশিং চঙশিনখিগনি হায়না কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ) না ফোঙদোরক্লি।

কে এস এগী সেক্রেটরি জেনরেল এস হেমজিৎনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, এম পি এস সীগী খুথাংদা লমদম অসিদা লৈরিবা গভর্ণমেন্টকী কোলেজ প্রিন্সিপাল ২৫ খন্নবগীদমক থোকখিবা নোটিফিকেসন অদুগী ইলিজিবিলিটি ক্রাইটরিয়াগী পোইন্ট নম্বর ৪ (৩) দা য়াওরিবা দি কেন্দিদেট মষ্ট বি এ পার্মনেন্ট রেসিদেন্ট ওফ মণিপুর প্রোবাইদেদ দেট এ কেন্দিদেট হুজ পেরেন্ট ওর এনি ওফ হিজ/হার এন্সেষ্টরস ইন হিজ/হার দাইরেক্ট লাইনেজ আর পার্মনেন্ট রেসিদেন্ট ওফ ষ্টেট ৱিথ প্রোপর দোক্যুমেন্টরি প্রুফ লাইক এনরোলমেন্ট ইন দ ইলেক্টোরেল রোল এন্দ বার্থ সার্টিফিকেট ৱিল ওলসো বি ইলিজিবল হায়বা ইলিজিবিলিটি ক্রাইটরিয়া অসি থুগায়দুনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী হাওরা দিষ্ট্রিক্টতগী লাক্লগা হৌজিক হৌজিক্লা পাউনা বজারদা থাদা লুপা ৫০০০ থীরগা অশানবা য়ুমদা ডা. গোপালচন্দ্র বাগ হায়বা নন-মণিপুরী অমবু খঞ্জিন্দুন এন জি কোলেজদা লৈঙাক্লা পোষ্টিং পীশিল্লক্লিবগী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং কয়া চঙশিল্লকপদু লৈঙাক্লা খঙশিন-উশিন্নদনা লৈথোক্লুরবা মতুংদা খোঙজং কনশিল্লকপদগী লৈঙাক্কা হিরম অসিগী মতাংদা ৱারী শানখি। হৌখিবা জুন ২২ অমসুং ২৬ তা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগা অনীরক থোক্লা ফম্মিন্নদুনা পরম লান্না খনখ্রবা নন-মণিপুরী অসিবু লৌথোকপা হায়না য়ানখি। এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগা উনবদা ডা. গোপালচন্দ্র বাগপু খনখিবা হায়বসি রুলগী মতুংইন্না য়ারোই। মসি চান্মাদা চান্মা য়ারোইদবা মরম অমনি। মরম অদুনা নুমীৎ হুম্নীগী মনুংদা ডা. গোপালচন্দ্র বাগ অসি লৌথোক্কনি হায়না থাজবা পীখি। চয়োল অমা হেল্লবা ফাওবা, অসুক কুইরবা মতম অসি কেন্সেল তৌবগী ওর্দর থোক্তনা লৈরি হায়রি।

য়ানখিবা ৱাফম করিসু থওইদনা লৈথোক্লিবা অসিনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা হিরম অসিদা লুম্না লৌদে হায়বদু তাকথোকচবনি অমদি খোঙজং নাথৈনবা নমথাক তৌরম্বগী থৌওং অসি কে এস এনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, এম পি এস সীগী চ্যেরমেন মশানসু ডা. গোপালচন্দ্র বাগ খনখিবা অমদি ফোর্ম থাজিনবা য়াহনখিবা অসি এম পি এস সীগী অশোয়বনি হায়বা য়াজরবসু লান্না খঞ্জিনখ্রবা মীওই অসিবু লৌথোক্তনা লৈরিবা অসিনদি ডা. গোপালচন্দ্র বাগ অসি ঙসিগী লৈঙাক অসিনা এম পি এস সীগী চ্যেরমেনগা লৌতুনরগা খনখিবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই হায়রি।

লমদম অসিদা কুমজা ১৯৭২ দা লিংখৎলকখিবা মীয়াম্না থাজবা থম্লকখিবা এম পি এস সীগী অমোৎপা কয়ানা মরম ওইদুনা অমদি য়েলহৌমীশিংগী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌবগী মহুত্তা মশাগী কান্নবা য়েংদুনা থবক তৌবদগী ৱাথোক কয়া লেপ্তুনা থোক্লক্লি হায়না মরাল শিরক্লি।

হৌজিক হৌজিকমকসু সিবিল সার্ভিস এগজামিনেসন ২০১০ গী এগজাম ইরিগুলরিটি কয়া লৈরে হায়বগী ৱাকৎ অমদি অরানবা চথখিবগী ইভিদেন্স কয়া পুথোক্লুরকপা লৈখ্রবনি। অচুম্বদা তৌবা য়াম্না ষ্ট্রিক্ট ওইনা এগজাম কন্দক্ট তৌই হায়না মীয়াম্না থাজবা থল্লম্ন্দু ঙসিদি মশানা শেমজবা রুল অমসুং রিগুলেসন কয়া মখোয়গী ওইবা মী হাপচিনবা য়ানবগীদমক শেমদোক শেমজিন তৌবা নৎত্রগা রুল য়েংদনা তৌনিং-তৌনিংবদা তৌরে হায়না মরাল শিরক্লি।

হন্দক্কী ইস্যু অসিগী মতাংদা অসিগুম্বা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অমদি এম পি এস সীগী চ্যেরমেনগী থৌওং অসি কে এস এনা লুম্না লৌবগা লোয়ননা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অমদি এম পি এস সীগী চ্যেরমেনগী ফমদগী রিজাইন তৌবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি হায়রি। এম পি এস সীগী চ্যেরমেনগী পোষ্ট অসি পোলিটিকেল পোষ্ট ওইদুনা লৈঙাক্কী মায়োক্তা থবক তৌবা য়াদবা অমদি অশোয়বা লৈরবসু খঙশিন-উশিন্নদনা লৈথোকপগুম অমদি পোলিটিকেলগী ওইবা ইনফ্লুয়েন্সতা থবক তৌবগুম তৌরি হায়না মরাল শিরক্লি।

হিরম অসিগী মতাংদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা নমথাক তৌদুনা খোঙজং নাথৈনবা হোৎনরবসু লূপ অসিনা কৈদৌনুংদা হন্দোকপা তৌরোই ঙাইহাক ঙাইহাক্কী য়ানবা চৎলিবা লৈঙাক অসিগী মথক্তা চপ চানা খোঙজং চঙশিন্নবা লূপ অসিনা অচেৎপা ফিরেপ লৌবগা লোয়ননা মহৈরোয়শিংগা খুৎশম্নদুনা হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়রি।

এম য়ু- জুলাই ১৫দগী খোঙজং ...

লামায় ১গী মখা... নুমিৎ ৩৮ নি মণিপুরগী খ্বাইদগী ৱাংবা মহৈলোইশঙ অমা ওইরিবা এম য়ু অসি থিংজিন্দুনা মহৈরোয়শিং অমদি ওজাশিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা ঐচ আর দি মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তবা অমদি মহৈরোয়শিংগী দিমান্দ অসিবু তাবীদনা লৈথোকপা অসি দেসামনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। মহৈরোয়শিংগী ঈ পীদুনা মহৈরোয়শিংগী মহে তম্বগী রাইট অদু লৌনবা হোৎনবা মথৌ তারে। মুসু, মুসা অমদি মুটানা হৌজিক চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি য়াম্না মরম চাবা তৌফম থোকপা অমনি হায়না দেসামনা লৌই। অসিগুম্বা খোঙজং অসিনা মণিপুরগী নোলেজগী কোকলেন ওইরিবা য়ুনিভর্সিটি অসি কঞ্জবা ঙমগনি হায়বসি দেসামগী থাজবনি। য়ারিবমখৈ মহৈরোয়শিংগী একাদেমিক এটমোস্ফ্যের কায়হন্দনবা মরী লৈনবা খূদিংদা আপিল তৌরি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়শিংনা নুমিৎ ৩৮ নি এম য়ু কেম্পস মনুংদা টোটেল সট-দাউন তৌদুনা খোঙজং চঙশিল্লকপা অসিনা মণিপুরদা হায়র এদ্যুকেসনগী লম্‌দা মহৈ-মশিন তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী একাদেমিক এটমোস্ফ্যেরদা চাওনা অকায়বা পীবতা নৎতনা একাদেমিক কেরিয়র মাঙবা য়াবগী ফীভমদা লৈরে। ফীভম অসি য়ৌরবা ফাওবদা মণিপুর লৈঙাক্লা মহৈরোয়শিংগী পূন্সি কন্নবা থৌরাং থৌশিল অমত্তা পুথোক্তনা লৈরি। মসিমক মণিপুরগী খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। থেংলবসু থেংনা মণিপুরগী মহৈরোয়শিংগী একাদেমিক কেরিয়র অমদি পূন্সি কন্নবগীদমক খূদক্তগী মণিপুর লৈঙাক্লা এম য়ুগী ৱাথোক অসি লোইশিন্নবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মরী লৈনবা ওঠোরিটিদা তকশিন্দুনা ৱারোইশিন পুরক্লবা নুমিৎ খরনি অসিদা হোৎনগদবনি।

খোঙজং চঙশিল্লিবা এম য়ুগী মহৈরোয়শিং খক্তা নৎতনা এম য়ুদা এফিলিএট তৌরিবা কোলেজ অমদি ইন্সটিট্যুসন খূদিংমক্কী মহৈরোয়শিংগী মতম-মতমগী পাঙথোক্কদবা সেমিষ্টর এগজাম পাঙথোক্তবা, পাঙথোকখ্রবা সেমিষ্টর এগজামশিংগী রিজল্ট হায়দোক্তবা, মহৈরোয় কয়ানা মখোয়-মখোয়গী সর্টিফিকেট, মার্কশীটনচিংবা লৌথোকপগী খূদোংচাবা লৈতবা অসিনচিংবা খূদোংচাদবশিং অসিনা মহৈরোয়শিংগী পূন্সিদা চাওনা অকায়বা পীরক্লে। ফীভমসিদা মখা চত্থরবদি মণিপুর খুন্নাইগী তুংলমচৎ ওইগদৌরিবা মহৈরোয়শিংগী পূন্সিদা চাওনা অকায়বা পীরক্লগনি। ফীভম অসিদা মহৈরোয়শিংগী লূপ অমা ওইরিবা দেসামনা তুমিন্না লৈথোকপা য়াদবনা মহৈরোয়শিংগী রাইটকীদমক মহৈরোয়শিং অমদি মীয়ামগা লোয়ননা মখল-মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিনবা হায়না দেসামগী ঙসি পাঙথোকখিবা এগজিক্যুটিবকী মীফমনা ৱারেপ্লরে।

এম য়ুগী ৱাথোক অসি করিগুম্বা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টনা জুলাই ১৫ ফাওবগী মনুংদা ৱারোইশিন পুরক্ত্রবদি জুলাই ১৫গী অহিং নোংয়াই পুং ১২ দগী অকনবা খোঙজং চঙশিনবা হৌরগনি। মসিদা থোক্লকপা অফ-ফত্তগী তেকচাক খূদিংমক ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পুগদবনি। হৌজিক-হৌজিক এম য়ুগী মহৈরোয়শিং অমদি ওজাশিংগী খোঙজংনা মণিপুরগী কোলেজ অমসুং ইন্সটিট্যুটশিংদা পীরিবা চৈথেং অমদি মহৈরোয়শিংনা মায়োক্লরিবা খূদোংচাদবশিং লোয়ননা মহৈরোয়না করি তৌগনি হায়বগী মতাংদা খন্নবগীদমক এম য়ুদা এফিলিএট তৌরিবা মণিপুরদা লৈরিবা কোলেজশিং অমদি ইন্সটিট্যুসনশিংগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নশিংগী মীফম অমা থা অসিগী ৯গী অয়ূক পুং ১১ দা দেসাম হেদ ওফিসতা পাঙথোক্লগনি। ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী থৌ পুবশিংনা মতম চানা লাকপীয়ু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

দি এ ও, এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টতগী য়ুরিয়া লৈবা য়াগনি : পিঐচ রাজেন্দ্রো

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ (ঐচ এন এস):

লৌমীশিংনা দিলরশিংদগী য়ুরিয়া হার লৈবা চৎপদা মমল হেন্না হায়রক্লবদি এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট নৎত্রগা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসরশিংগী ওফিসতগী রিটেল প্রাইসতা য়ুরিয়া লৈবা য়াগনি হায়না এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর পি ঐচ রাজেন্দ্রোনা ফোঙদোকখ্রে।

সঞ্জেন্থোংদা লৈবা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা পি ঐচ রাজেন্দ্রোনা হায়খি, ককচীং, থৌবাল য়াওনা তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা লৈরিবা য়ুরিয়া হারগী দিলরশিংনা মমল হেন্না য়োনব্রা হায়বগী চেক তৌবা চৎপা লৈখ্রে। এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা মফম কয়াদা লৈরিবা হারগী দিলরশিংদা চৎতুনা য়েংলুরবা মতুংদসু হৌজিক হারগী মমল হেন্না য়োল্লে হায়বগী পাউ কয়া থেংনরি। য়ুরিয়া হারগী মমল অসি ইন্দিয়াগী মফম খূদিংমক্তা কে জি ৪৫গী বেগতা লুপা ২৬৬.৮০ ওইগদবনি। মসি এম আর পিনি। য়ুরিয়া হারগী এম আর পি অসিদা অদুমক লৌমীশিংদা ফংহনফম থোকপনি।

দিলরশিংনা করিগুম্বা য়ুরিয়া হারগী মমল য়াম্না য়োনবগী ফীভম লৈরবদি লৌমীশিংনা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী ওফিস নৎত্রগা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসরশিংগী ওফিসশিংদগী এম আর পিদা লৈবা য়াগনি। লৌমীশিংনা মাগী-মাগী লৌফমদা তঙাইফদনা চঙগদবা চাং অদুদমক লৈবীয়ু। পূকচেল শেংনা হার লৈবগী তঙাইফদবা লৈ। মথৌ তাবা চাংদগী হেন্না লৈবীগনু। লৌফমদা তঙাইফদনা চঙগদবা চাং অদুদা লৌমীশিংনা লৈবা তঙাইফদে। আধার অমদি পাট্টা পায়রগা য়ুরিয়া হার লৈবা য়াগনি।

মথং চহীদগীদি দিপার্টমেন্টনা ওইনা হারশিং চিংলগা দিলরশিংদা ফংহন্নবগী থৌরাং অমা পায়খৎনবা মীৎয়েং থল্লি। ষ্টেট অসিদা হৌজিক পূন্না হারগী দিলর ৩৭ লোম লৈ। মসিগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্টতা ১২, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ৫, থৌবালদা ১১, এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টতা ১, সেনাপটিদা ২, বিষ্ণুপুরদা ৫নি। ব্রহ্মপুত্র ভেলি ফর্টিলাইজরদগী য়ুরিয়া হার অসি চিংলকপনি। মণিপুরগী ওইনা মথৌ তারিবা য়ুরিয়া হারগী চাং অসি মেট্রিক টন ১৫,০০০ রোমনি। ষ্টেট অসিগী কোটা মেট্রিক টন ২০,০০০ লোম পীরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মীতৈ পাঙলশিংনা অচৌবা ...

লামায় ১গী মখা... গল্ফতগী লাকপা অরবশিংবু চাউখৎতে হায়না খন্দুনা হন্থনা য়েংবগী ৱাফম মচা খায়না ইরি। মখা তাবদা অরবশিংনা বাংলাদেস অমদি পাকিস্থান্দগী লাকপা মুস্লিমশিংবু অমুক্কা হেন্না হন্থনা য়েংবগী ৱাফম ইরি।

এথনিক আইদেন্টিটিগী ৱাফম অসি মুস্লিম মরক্তা মতম শাংনা লৈখিগদৌরি হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, প্রোফেট মহমদনা মহাক্কী মতমদা ট্রাইব অমগা অতোপ্পা ট্রাইব অমগা কা হেন্না য়েংথিনবা লৈরম্বদু তোকখিনবা পান-ইস্লামিজমগী ৱাখল্লোন কন্না শন্দোকচরবসু ট্রাইবকী অমসুং জাতিগী আইদেন্টিটি খূদক্তা মুখৎনবদি তৌরমদে। মহাক মশামক্লসু কুরেস ট্রাইবকী লুচিংবা অব্দুল মটলিবকী মশুনুপানি হায়বসি য়াম্না তোইনা হায়খি। ঙসিদগী চহী ১০০ রোমগী মমাঙদা ফ্রেঞ্চশিংনা ফিরিংগী লমলৌদা অলজিরিয়া খুদুম চনশিল্লকপা মতমদা মদুবু থেংনখিবা মুস্লিম উলামা (ইস্লামিক স্কোলর)শিংগী খোল্লাওদি ইস্লাম্না ঐখোয়গী লাইনিংনি, অরাবিক্লা ঐখোয়গী লোননি, অলজিরিয়ানা ইরৈবাক্লি হায়বসি ওইখি। মখোয়না নেসলিজম অমসুং কলচর অনীমক হুন্দোকখিদে। মসিগা চপ মান্না মৈতৈ পাঙলশিংনসু এথনিক আইদেন্টিটি ঙাক্লা অমদি লমদম অসিগী অতোপ্পা য়েলহৌমীশিংগা হেন্না নকশিন্না হিংবদা ঐখোয় পুন্নমক্কী হেন্না য়াইফগনি খঞ্জে হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

ৱেসিয়া অমসুং মণিপুরদা লৈরিবা মীওই পুন্নমক ইন্দিয়াগী মখাদা হিংলিবনি হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, ঐখোয় পুন্নমকপু পুন্না তকখায়রিবা কোলুদি ইনি দয়ানি। মসিনা মরম ওইরদুনা ঐখোয় পুন্নমক্কী ফুরুপকী শক্তম লেপ্পা লৈতনা মুখরক্লিবনি। ঐখোয় পুন্নমক থম্মাইখ্রবনিনা ঐখোয় কনানো, কদাইদা লৈরি, হয়েংদি ঐখোয় করি ওইগনি হায়বসি ঐখোয় পুন্নমক্লা খঙজদ্রবনি। ঐখোয়গী অপুনবা য়েক্লবু পুন্না থেংনমিন্নবগী মহুত্তা ঐখোয় মশেল হিদান্নদুনা লৈবা হায়বসি ঐখোয়গী তশেংবা ফিভম অদু খঙবা হৈজদবা তারনি। মৈতৈ পাঙলশিংনা লমদম অসিগী য়াওল্লোইশিংগা হান্নদগী হেন্না নকশিন্না চৎমিন্নবনা পুন্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি হায়রি।

হৌখিবা চহী ১০ গী মনুংদা পাউচেশিংদা ফোঙখিবা পাউ খরা পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী নোংমাইচিং চীংখোঙ, অৱা চীংগী রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়াদা লম খোকপচিল্লম্বা মৈতৈ পাঙল ইমুং ৭৩ গী য়ুমশিং মণিপুর ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা থুদেকপদা মশানা ত্রিপুরাদগীনি হায়জবা ত্রিপুরাগী চে চাং পায়বা ইমুং অহুমগী মীওই ৯ য়াওখি। মণিপুর পুলিসনা মীওইশিং অদু বাংলাদেসি নত্রগা রোহিঙ্গা ওইরমগনি হায়না চিংনবদগী ফাগৎখি। নোংঙাল্লগা মণিপুর পুলিসনা ত্রিপুরা পুলিসতা হংবদা মীওই অমদি ত্রিপুরাদা নুপীগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইমদা চেন্নবনি হায়বা খঙহল্লকখি। অতৈ মীওইশিং অদুদি ত্রিপুরাদা মরী মখোঙ থিবদা ফংবা ঙমখিদে। মরম অদুনা বাংলাদেসি নত্রগা রোহিঙ্গা শোইদনা ওইরমগদবা মাল্লি হায়রি। *মথং মথং...*

দোক্যুমেন্টরি ফিল্মগী ৱার্কশোপ লোয়শিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৬: মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী শেন্থং মখাদা টেলিভিজন ফাউন্দেসন অমসুং রিছোর্স ইনিসিএটিব কোলকটাগা খুৎশম্নদুনা নুমিৎ মঙানি চুপ্পা পাঙথোরকপা দোক্যুমেন্টরি প্রোজেক্ট দিভলপমেন্ট এন্দ স্ক্রীপ রাইটিং ৱার্কশোপ লোয়শিনবগী থৌরম ঙসি মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা টেলিভিজন এন্দ সিনে ফাউন্দেসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট রোনেল হাওবমনা হায়খি, থা অসিগী ২ দগী ৱার্কশোপ অসি চত্থরকপনি। অনৌবা মীওইশিংদা ত্রেনিং পীবনি, মরমদি ইন্টরনেসনলগী ওইনা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অসি করম্না দিভলপ তৌগনি হায়বসিদা পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা দোক্যুমেন্টরি এক্সপর্টশিং মুম্বাইদা সুরাভি, বিসোনবু, দেবহলদর অমসুং কোলকটাগী সুপ্রিয়ো সেন, নিরঞ্জন ভট্টাচার্যনচিংবনা তাকপী তম্বীখি।

ত্রেনিং কম ৱার্কশোপ অসিদা অসামদগী লাকপা মীওই কয়াসু শরুক য়ারি। হান্নদগী পাঙথোকপা ৱার্কশোপ অসি নোর্থ ইষ্টকী ওইনা পাঙথোক্তুনা লাকপনি। মমাংদদি মিজোরাম অমসুং নাগালেন্দদগী মীওই কয়া লাক্তুনা শরুক য়াখি। অদুবু হন্দক্তি খুদোংচাদবা লৈবদগী য়াওখিদ্রে। কুমজা ২০১৪ দগী পাঙথোকপা হৌরকখিবনি অমদি হন্দক পাঙথোক্লিবা অসিনা অহুল্লকশুবনি। ত্রেনিং কম ৱার্কশোপ অসিদা পার্টিসিপেন্ট ২৭ শরুক য়াখি।

বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮১ হোংদোক হোংজিনগী ...

লামায় ১গী মখা... য়ুংখিবনো হায়না হংবদদি কনামত্তা খুন্বা ঙমদে। ঙসিদগী চহী ৪৮গী মমাংদা লৈরম্বা বোর্দর পিল্লর অদুনা করম্বা মতমদা য়ুংবগে হায়বদুনা তাকপা ঙমদবা অদুগা হান্না য়ুংলম্বা মফম তাক্কে হায়বদুদি ঐনা লৌগদবা নত্তে। ৱাহংসিগী পাউখুম ওন্ন-তৈনৈ। ইস্যু অসি য়াম্না লুবনি, খৎন-চৈনবা, হাৎন-শুনবা হেক্তমক থোরকপা য়াবনা চেকশিনবা তাবনি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুগী মতাংদা মিনিষ্টর করাম শ্যামনা পাউমীশিংদা হায়খি, কম্মিটি অসিগী মীফম হয়েং নুংথিল পুং ২ দা ফল্লবা মতুংদা রিপোর্ট অমা লৈঙাক্তা লানখৎলগনি। বাউন্দরি পিল্লর ৮১ অসি হন্দক্তা নৌনা হোংদোক-হোংজিন তৌবা ওইনা লৌরিবা অদুদি লানগনি। ঙসি ঙরাং হোংদোক-হোংজিন তৌবগী খূদম-চাংদম ফংদে। উহৌবা মীওইসু য়াওদে। কুমজা ২০১২ গী জন্যুৱারী ১৭ তা মতমদুগী লৈঙাক্লা বোর্দর পিল্লর ৭৯ দগী ৮১ ফাওবা ঙমখৈ শম্বল খাবীনবা অইবা চেরোল ফাওবা পীরম্বা লৈখি। মসিনা তাক্লিবদি মতমদুদ্গী হৌনা বোর্দর পিল্লর হোংদোক-হোংজিনগী ৱাফম লৈতে হায়বনি। মহাক্লা হায়, হায়রিবা বোর্দর পিল্লর অসি লৈবাক মীয়াম্না হোংদোক হোংজিনগী মতাংদা চিংনবা লৈরগদি মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা লৈঙাক অসিনা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যের্সতা হায়জদুনা চয়েৎনৈ হায়রিবা বোর্দর পিল্লর অদু নৌনা য়েংশিনহনবা য়াই।

হায়রিবা বোর্দর পিল্লর অসি নৌনা য়ুংবা অমদি হোংদোক হোংজিন তৌবগী খুদমদি ফংদে। বোর্দর পিল্লর অসিদা ১৯৬৯-৭০ থাবা মরম্না হায়রিবা পিল্লর অসি মতম অসিদা য়ুংবা ওইগনি থাজৈ। ইন্টরনেসনল বোর্দর পিল্লর অসি হেক্তা য়ুংশিনবা য়াবা নত্তে। মসি য়ুংবা মতমদা ম্যান্মার অমদি ইন্দিয়াগী ওঠোরিটি অনী পুন্না ফম্মিন্নরবা মতুংদা লোঙ্গিচুদ অমদি লেটিচুদনচিংবা য়েংলগা য়ুংবনি। ইন্টরনেসনল বোর্দর ইস্যু অসি অচৌবা ৱাথোক অমনি। মসি ঐখোয়না তরাই তরাইনা লৌবসু য়াবা নত্তে হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি। ক্লাথা খুনৌগী লম্বী মীয়াম্না চৎথোক চৎশিন নুংঙাইনবা নুঙ থাবা য়ৌদ্রিবা অৱাৎপা লম্বীশিং অদু নৌনা শেমজিন্নবনা মিনিষ্টর করাম শ্যামনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি ডো. এস ইবোমচাদা লুপা লাখ ১ গী শেনফম খূৎশিন্নখ্রে।

অমরোমদা, ইন্দো-ম্যান্মার ইন্টরনেসনল বোর্দরগী এ দি সী/এ দি এম মোরেনা কোনবা বোর্দরগী মণিপুররোমদা কিলোমিটর ৩ ফাওবগী মনুংদা লৈবা লমদা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা নুমিদাংগী পুং ৭ তগী অয়ূক্কী পুং ৪ ফাওবা থা ৬ চুপ্পা কর্ফিয়ু থম্লনবা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা মোরেগী এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটতা ঙসি চেরোল অমা থাদুনা খঙহনখ্রে হায়রি।

অহুল্লকশুবা লমজিং মৈরা ...

লামায় ১গী মখা... হায়না খনবা য়াওরগদি মীয়ামগীদমক খল্লগা অমদি রোবিনহূদপু ইকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা নুমিৎ অসিদা বন্দ কোমথোকপীয়ু। নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদা থৌরম অসি লোইশিনগনি। অম্মিককী কাঙবুনা শৈহৌ ঈশৈ অমদি শৈরোই ঈশৈ শক্কনি। নুংথিল পুং ৬.৩০ দা মিনুথোং অমদি মহাক্লা মহে তল্লম্বা অনন্দ সিংহ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মমাংদা মৈরা কৎকনি। নুমিৎ অসিদা মীয়াম্না ইশা-ইশাগী থবক তুংওইনরগা লমজিং মৈরাদা ইকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা শরুক য়াবীয়ু।

জুন ২৮ দা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী বিল অমখক ষ্টেকহোল্ডরশিংদা উৎলি। চীং-তমগী ষ্টেকহোল্ডরশিং য়াওই। বিল হেক উৎপগা পাবা অমা চঙবনা কদায়দা অহোবা লৈ, লৈতে হায়বদু খূদক্তা পীবা ঙম্লোই। য়ূম-য়ূমদা হোমৱার্ক তৌবা চঙই, মতম খরা লৌগে হায়না হায়রম্মী। জুলাই ৩ দা ষ্টেকহোল্ডরশিং কৌরগা ক্লাসিক হোটেলগী কনফরেন্স হোলদা উনখি। লৈঙাক্কী বিলসু নৈনখি। বিল অসিগী মতাংদা ৱাফম কয়া থম্নরকপা লৈ। কম্মন ইন্টরেষ্টতা চৎপা য়াবা মী মথৌ তারকপদগী কম্পাইল তৌবগী থৌদাং অদু জে সী আই এল পি এসনা লৌরগা অপূনবা ওইনা মীয়াম পূন্না য়েংমিন্নসি হায়না পোষ্টপোন্দ তৌখি। জুলাই ১০ দা তৌরসি হায়না লেপ্নখ্রে। ষ্টেকহোল্ডরশিংগা জুলাই ১০ দা তানদুনা অপাম্বা মওংদা শেমদোকপা অমদি হাপচিনবগী ৱাফম অসি লাক্কনি। লৈঙাক্লা মীয়াম্না পাম্বা তৌগনি হায়রবনিনা চীংমী-তম্মীনা অপাম্বা তৌদবা তারবদি কান্নরোই। ঈহৌ লাক্কনি। মীয়াম্না অপাম্বদা তৌবীয়ু। লৈঙাক্কা উনবগী মতম অমা শোয়দনা লাক্কনি থাজৈ। হৌজিক চঙশিল্লিবা প্রোসেস অসিদি মায় পাকপা য়াবা মুভমেন্ট অমদি উরে। লৈঙাক্কী খূৎতা লৈরে। লিগেলগী ওইবা ৱাফম লাকপা মতমদা লৈঙাক্লা য়াম্না চেকশিন্না মদুগী অহোবা লৈতনবা থৌদাং অদু লৌফম থোকই, লৌদবসু য়ারোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

য়াইস্কুল থাদোকপীরকউ

ইম্ফাল, জুলাই ০৬: মণিপুরী ফিল্মগী স্ক্রীপ রাইটর অমদি অইবা য়াইস্কুল খ্বাইরাকপম য়াওনা মীওই মরি ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ রোম তাবদা অৱাং সেকমাই খুরখুল রোদতা ৱাকিং চৎলিঙৈদা শকখঙদবশিংনা ফারগা পুখ্রগা ঙসি ফাওবা মরী মখোঙ খঙহল্লক্তবা অসিবু ঈপাক ফিল্মস প্রদক্সন লিমিটেদ মণিপুরনা নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি। স্ক্রীপ রাইটর য়াইস্কুল খ্বাইরকপবু মীওইবগী মীনুংশি য়েংবীরগা থাদোকপীরকউ হায়না ঈপাক ফিল্মস প্রদক্সন মণিপুরগী সেক্রেটরি রাকেস নাওরেমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। মখোয় মরিনা খুন্নাইগী মায়োক্তা করিগুম্বা ফৎতবা থবক তৌরম্লবসু লৈবাক মীয়ামদা শেংদোকহনসি হায়রি।

LET'S KNOW RABIES

1. Rabies is spread by the bite or scratch of dogs, cats, monkeys and bats.
2. Rabies is 100% fatal. However, timely vaccination can save lives.
3. Wash the bite wound with water and soap/surf. Get vaccinated with Anti Rabies Vaccine from the nearest Health Centre.
4. Do not put faith on traditional healers. They cannot save lives.
5. Vaccinate all your dogs at the Veterinary Department.
6. For mor information contact mobile no. **9436033708**.

Issued by National Rabies Control Programme, Manipur and SHS, National Health Mission, Manipur
HL-B/4734/7

ADMISSION OPEN FOR B.Sc.Nursing & M.Sc.Nursing 2018-19
at Gitam University, Vishakhapatnam, A.P
Admission without entrance exam for Manipur students
➡ **B.Sc Nursing**:Fees Rs. 30000/- per year
➡ Food & Accommodation Rs. 30000/- per year
Eligibility - 10 + 2 PCB 50% (Aggregate)
➡ **M.Sc.Nursing(NPCC)**:Fees Rs.1,50,000/- p/a
➡ Food & Accommodation Rs.30000/- per year
Spot Admission
Stipend will be available to all admitted students
Top Deemed University having own medical college & hospital
EDUCARE ZONE Babupara, Near BOSEM Imphal
+91 8794026277, 9402775931, www.gitam.edu
HL-P/3356/10/6-10/7

Office of the
CHATKOI SALAI SHANG &
NONGPOK CHINGU THONG SEMKAT SAGATPA APUNBA LUP
(Under the aegis of ILIL)
SELLOI LANGMAI CHING, THALO SIPI LOK, IMPHAL NONGPOK

PAOJEL
Friday, the 6th July, 2018

Paojel asina khanghanjari nongmaching khudingi Meitei Inaat Laining laishu tamjabagi shillonbu matam khara yeithokchare. Chatkoi Salai Shangi maheiroi khudingmakla khanghanjari loinana Chatkoi Salai Shangi maheiroi khudingmakpu sougatpiriba apokpa apokpi amadi ahal lamangi maphamdasu khanghanjari. Akuppa warol kangbiningba singna Thokchom Saionpa Laipham Ashupa, Wangkhei Thangapat Mapal, Palace Compound dagi khangbiba yagani.

Paojencharbi
Sd/-
(Ningthemchamayum Ibemu Leima)
Thoutai Makok
Chatkoi Salai Shang
Nongpok Chingu Thong,
Thalosipi Lok, Imphal Nongpok

HL-P/4071/7